# মণিপুরদা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী থৌদাং অমসুং শান্নরোয়শিং

স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা | রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ

শান্ন-খোৎনবা হায়বসি মণিপুরী মচাশিংগা তৎন-থানদনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লোইনদুনতা লাক্লবা মচৎ অমনি। লমদমসিগী ওইবা মশান্নশিং মুকনা, কাং, থাঙ-তা, শগোল-কাংজৈ, খোঙ-কাংজৈ, য়ুবী লাকপীনচিংবসু লৈজবনিনা মণিপুরীশিং স্পোর্টসতা থৱায় অদুমক য়াওরকখি। লৈবাক নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা পানানচিংবা খায়দোক্লদুনা শান্নরকপগী ৱারী কয়াসু লৈরি।

অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা মণিপুরদা লাকখিবা মোর্দন গেমসকী কল্লবা ঈহৌদা মণিপুর মচাশিং খোঙ কানশিন্দুনা শান্নবা অদুমক ঙল্লকখ্রে। সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ঈনা শান্নবা মখল খরা পুশিল্লকপগা লোয়ননা হায়রিবা মশান্নশিংদু চাওখৎনবা হোৎনরকপদা য়াম্না লায়না চুশিন্নবা ঙমদুনা মণিপুরী মচাশিং হোকি, ফুটবোলনচিংবদদি মশক খরা থোক্লা শান্নবসু ঙল্লকখ্রে।

কুমজা ১৯৮০ গী এপ্রিল ১৬ তগী য়ুঠ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট লাকখিবগা ইরোইননা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং মাইওন চুম্না খোঙ থাঙবা হৌরকখ্রে। তশেংনা হায়রবদা য়ুঠ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসি এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টতগী খায়দোরকখিবনি।

দিপার্টমেন্ট অসি অহানবা হৌদোরকপা মতমদা শুপ্নতংগী মেম্বর ৭৯ খক্তংনা চল্লাইরকখি। কুমজা ১৯৮৫ দনা, ষ্টাফ মেম্বর পূন্না ৩৯১ ওইরকখি। ঙসিদি দিপার্টমেন্ট অসিগী অপূনবা মীশিং ৫৫২ শুখ্রে। দিরেক্টর অমনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মকোক ওইনা লুচিংলগা জোইন্ট দিরেক্টর অনী, দেপ্যুটি দিরেক্টর মঙা, এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর মরি, ফাইনান্সিএল ওফিসার অমা, স্পিসিয়েল ওফিসার অমা, সেনিয়র য়ুঠ ওফিসর অমা, ষ্টোর ওফিসার অমা পূন্না ফিল্ড ওফিসিয়েল, মিনিষ্ট্রিএল ষ্টাফশিং থারগা মেম্বর ৫৫২ না য়ুঠ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসি চলাইরি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মাপনদসু দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফ্যেরস স্পোর্টস ওফিসার অমমম থমদুনা (এ দি সি হেদক্বার্টর ওফ জিরিবাম অমসুং কাংপোকপী সদর হিলস য়াওনা) মণিপুরগী স্পোর্টস মপুং ফানা চাওখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংদা মরু ওইনা দি ৱাই এ এস ওশিং অসিনা মরু ওইবা অশিন অরাং ওইদুনা পাঙথোক্লি।

অমরোমদা য়ুঠ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অসিগী মরু ওইবা থবক থৌরমশিং হায়রগদি শান্ন-খোৎনবা য়োকখৎপা, লোয়ননা নহারোলশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপনি। দিপার্টমেন্ট অসি চল্লাইরকপদগী কুমজা ১৯৯২ দা ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসিনচিংবা পুথোরক্তুনা মতম মতমগী ওইনা শান্নরোয় শেমগৎনবগী পান্দমদা স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপা, অফবা মগুন লৈবা শান্নরোয়শিং গভর্ণমেন্টকী য়ুনিটশিংদা থবক পীবনচিংবসু চথরকখি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী মরু ওইবা থবক থৌরম খরদি মণিপুরদা গেমস এন্দ স্পোর্টস চাওখৎহনবা, নহারোলশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপা, ফিজিকেল এদ্যুকেশনগী মঙাল মপুং ফানা ফঙহনবা, শান্নবুংশিং মরাং কায়না থম্বা লোয়ননা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি লিংখৎপা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মণিপুরদা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি লিংখৎলকখিবা অসিসু ২০০৭ তগীনি। প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়াগী অখন্নবা পেকেজ অমদগী লমদমসিদা একাদেমি অসি হাংবা ঙল্লকখিবনি। দোন্নর মিনিষ্ট্রি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং স্কুল বিল্ডিং, হোষ্টেল, ইন্দোর হোল, এদমিনিষ্ট্রেটিভ বিল্ডিং ষ্টাফ ক্বার্টরনচিংবা শাবগী শেলফমশিং পুথোক্তুনা হোৎনরকখি। লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলনসু শেল থুমগী অৱাং অপা কয়া পীদুনা একাদেমি অসি চলাইরি।

নেসনেল স্পোর্টস একাদেমি অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি, লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমগদবা নহা ওইরিবা অফবা মগুন চেনবা শান্নরোয়শিং য়োকখৎপনি। ৱর্ল্ড ক্লাসকী থাক য়ৌনা কাবা ঙম্ননবা শুপ্নগী অখন্নবা মশান্না তরুক্তা লাইরিক লাইশুগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক সাইন্টিফিক ত্রেনিংগা লোয়ননা শান্নরোয় শেমগৎলক্লি। ক্লাস সিক্সতা মিং চলহন্দুনা কুমজা ২০০৭ তগী শেল্লক্লিবা নহা ওইরিবা প্লেয়রশিং স্পোর্টস দিসিপ্লিন তরুক হায়বদি অর্চরি, বোক্সিং, জুদো, টাইক্বান্দো, ৱেঠলিফটিং অমসুং রেসলিংদা ত্রেনিং পীদুনা হোৎনরক্লিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং মনা মথুম কয়া পুরকপসু য়াওখ্রে। -মথং-মথং

# লাইশ্রম দেবেন্দ্রো অমসুং শিবা থাপা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াগনি



ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ থা অসিগী ২৩ দগী এপ্রিল ৩ ফাওবা চাইনাগী ক্বিনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া/ওসিনিয়া ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা মণিপুরদগী লাইশ্রম দেবেন্দ্রো অমসুং শিবা থাপা শরুক য়ারগনি।

ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা লাইশ্রম দেবেন্দ্রো অমসুং শিবা থাপা শরুক য়ারুগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা য়ুঠ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্ট্রিনা মখোয়গী ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সনচিংবশিংসু পীনবগীদমক অয়াবা পীগনি।

মশক নাইরবা বোক্সর অনী অসিনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা শরুক য়াবা মতমদা মখোয়গী চৎথোক চৎশিন, টি এ, দি এ অমদি হোটেলগী চার্জ পূম্নমক্কী শেলফমশিং নেসনেল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দগী পীখ্রে।

লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইননবগীদমক হায়রিবা ওলেম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা মখোয় অনীনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী চেৎনা থাজবা থল্লি।

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটতগী মশক নাইরবা বোক্সর অনী অসিনা রিও ওলেম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইদুনা মেদল লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১২ কী লন্দন ওলেম্পিক্সতা লাইশ্রম দেবেন্দ্রো মেদল শুংশোই শোইদনা ফংলগনি হায়না থাজনরম্বনি অদুবু লাইবক থীবদগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিদবনি। য়াম্না চহী নৌরিবা বোক্সর অনী অসিনা হৌখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইবা ওলেম্পিয়ন ওইখিবনি।

কুমজা ১৯৯২ গী মার্চ ২ দা পোকখিবা লাইশ্রম দেবেন্দ্রো পীক্লিঙৈদগী হৌনা মহাক্কী মচে অহন নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরম্বা সুসিলাগী মখাদা বোক্সিং মশান্না তমদুনা মশান্না অসিদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখিবনি। ইন্টরনেসনেল এরেনাদা লাইশ্রম দেবেন্দ্রোনা লৈবাক অসিগীদমক মেদল কয়া পুরকখ্রবনি।

অমরোমদা শিবা থাপা কুমজা ২০১৩ দা জোরদানগী অমন্দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌরক্তুনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইবা বোক্সর ওইখিবনি।



*দি ৱাই এ এস ও থৌবালদা থবক তৌদুনা শান্নবগী লমদা তোঙান তোঙানবা মতেং কয়া পাঙলম্বা সুপরিন্টেন্দেন্ট বি উমেশ্বরি দেবী ফিজিকেল এদ্যুকেশনগী ওজা দব্লিয়ু তামু, এম জুলোন অমসুং কে ঐচ ভিনা দেবীনা থবক্তগী পোথাখিবদা ষ্টাফশিংনা ফ্যেরৱেল পীখিবা*

# অহানবা ষ্টেট লেভেল এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ত্রোফি টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ

ৱাঙু শন্দংখোং সোসিএল ৱেলফ্যের য়ুঠ ক্লব (এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি) শন্দংখোংনা শিন্দুনা ঙসিদগী অহানবা ষ্টেট লেভেল এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ত্রোফি ২০১৬ টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চংথবা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেচতা এস কে আর সি নুঙু অমসুং সি টি কে শন্দংখোং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস কে আর সি নুঙুনা এস এস দব্লিয়ু ৱাই সি ৱাঙু শন্দংখোং গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এস কে আর সি নুঙুগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা গোল মথং মথং ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা চনশিনখি।

এস কে আর সি নুঙুগী অহানবা গোল ঙানবনা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মঙলেম্না মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা চনখি। ঙানবনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ২২ শুবা মিনিতা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা চনখি। টিমদুগী মরিশুবা গোল মনিচন্দ্রনা মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা সি টি কে শন্দংখোংনা বি কে দি সি টিম এ বোরায়াংবী গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সি টি কে শন্দংখোংগী অহানবা গোল জোনিনা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ইংলেন্দনা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী মেচ মরি লৈগনি। অহানবা মেচ অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা বি কে দি সি টিম বি অমসুং দব্লিয়ু পি সিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা বি কে দি সি টিম সি অমসুং ট্যুদেবকা শান্নগনি। নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা এল ৱাই এ অমসুং সি টি কেগা শান্নগনি। মরিশুবা মেচতা এল ৱাই দি সি অমসুং কে দি ও অনীনা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নগনি।

## এ এফ এ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ

হিশু থৌবালনা শিন্দুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল সিক্স এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এ এফ এ থৌবাল নিঙোল্বম মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা এ এফ এ নিঙোল্বমনা সি দি ও থৌবাল টাই ৱ্রেক্তা গোল ৬-৭ তা মায়থীবা পীদুনা এ এফ এ থৌবাল সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা গোল ৩-৩ দা লৈনখি।

মেচ অদুগী টাই ৱ্রেক্কী কিক্স ফ্রোম পেনালটি মার্কতা এ এফ এ থৌবাল নিঙোল্বমনা সি দি ও থৌবাল গোল ৭-৬ তা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা সভেন ষ্টার হৈরোক অমসুং দব্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোম অনীনা শান্নবদা অপীবা মতম লোইরমদাইদা য়েৎনবা অমা লৈবদগী মেচ অদু লোইশিনবা ঙমখিদ্রে।

## মেন’স ওপন ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ ঃ

থোংজাও য়ুনিয়ন ক্লব, থোংজাওনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা য়াওশঙ স্পোর্টসকা মরী লৈননা পাঙথোক্তুনা লাকপা ইবুধৌ ময়াংঙম্বা মেন’স ওপন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ৯ শুবা এদিসন মার্চকী ১৫ দগী পাঙথোকপা হৌখ্রে। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসি লাক্লিবা মার্চ ২৭ ফাওবা চথগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা টিম ১২ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়ারি। শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা এফ সি ৱাইখোং, দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী, জে এ ককচিং, কোদা এম টি ন্যু চেক্কোন, টি য়ু সি থোংজাও অমদি এফ সি চুম্বাঙ, গ্রুপ বিদা এফ সি কোম মন্তক, এম সি এস য়ু জিওন্টলাং, জেদ এফ সি তেন্থা, থ্রি ব্রদরস ৱাইখোং, এফ সি লমজাও অমদি ৱাই পি সি ৱাইখোং অৱাং লৈকায়নি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলনা মার্চ ২৩ অমদি ২৪ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা ফাইনেলনা লাক্লিবা মার্চ ২৭ তা পাঙথোক্কনি হায়না থোংজাও য়ুনিয়ন ক্লব থোংজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।














